# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-04-2026)**

**পুলিস(এল)ঃ** কাফিয়ু থুগায়বা মীওই ১২ মনিপুর পুলিসনা ফাদুনা চয়োল অমগী শিং শেংবগী দন্দি পীখ্রে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-থৌবাল জিলাদা কার্ফিয়ু থুগায়দুনা ইরাং থোকবা শিনবা মীওই ১২ ঙরাং মনিপুর পুলিসনা ফাখি। মখোয়গী দন্দি ওইনা চয়োল অমা কম্ম্যুনিতি সার্ভিস তৌহনবা হায়না মেজিস্ট্রেটনা ওর্দর থোকখি। ঙরাংদগী হৌদুনা খোঙজোম ৱার মেমোরিএল সাইটতা পাঙথোকখিবা খোঙজোম ডে থৌরম লোয়শিল্লকপগী শিং শেংবগী থবক হৌহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, সেকুর্‌্যরিতি ফোর্সনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং মরুওইনা চিংগা তায়নবা অমদি ইরাং থোক্কনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমদি থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা চেক পোইন্ট ১১২ মথৌ নিংথিনা তৌরি। ঙরাংগী ওইনা চেক পোইন্টশিংদা মীওই ৮ দিটেন তৌদুনা থমখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

চেরোল অসিনা হায়-সেকুর্‌্যরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক অকনবা থবকশিং লৌখৎলি। সেকুর্‌্যরিতি ফোর্সনা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামগীসু থৌদাং লৈ। হৌজিক লৈরিবা রাজ্য অসিগী ফিভম অসিদা তোকঙা নৎত্রগা অরানবা পাউ শন্দোরকপা মতমদা মীয়ামনা থাজবীগনু। করিগুম্বা চিংনবা পাউ অমা ফংলবদি সেন্ট্রেল কন্ট্রোল রুমগী মোবাইল নম্বর ৯২৩৩-৫২২-৮২২ দগী অচুম্বা খঙবীয়ু। সোসিএল মেদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোক্লিবা মীওইশিংগী মথক্তসু আইনগী ওইবা থবক লৌখৎলকপা য়াই হায়রি।

**সট দাউন (এল)ঃ** ত্রোংলাউবী থৌদোক্কা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং তৌরদুনা তম্পাক্কী মফমশিংদা নুমীৎ মঙানি চুপা চথুরকখিবা সটদাউনগী খোঙজং ঙরাং লোয়শিনখ্রে।

খোঙজং অসিনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকাইবা পীখি। ইম্ফাল ময়োলগী মরুওইবা কৈথেলশিং য়াউনা দুকানশিং থোঙ হঙনখিদে। লল্লোন ইতিক্কা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং লেপখি। লম্বীদা পেসেঞ্জর গাড়িশিং চেনখিদে, লন্নাই গাড়িশিং চৎপগী চাংসু নেমখি। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখিবদগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোকখি।

ঙরাং নুমিদাংগী মতমদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মৈরা রেল্লি চৎনখি। খোঙজংলোইশিং থোরক্তুনা পেন্দবা খোল্লাউশিং লাউনখি। মফম কয়াদা খোঙজংলোইশিংনা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মুকবা কয়া থোকখি।

অমরোমদা, উখ্রুল জিলাদা মীওই অনি লৈখিদবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু.এন.সি) না নাগা তাবা মফমশিংদা কৌখিবা নুমিৎ হুমনিগী টোটেল সটদাউন্দসু ঙরাং লোয়শিনখ্রে। সটদাউন্দ অসিগী মনুং চন্না নুমিৎ হুমনি অসিদা নাগা তাবা মফম কয়াদা লম্বী থিংবগী খোঙজংশিং চংশিনখি। ঙরাং নুমিদাংগী মতমদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা কেন্দল থানবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচিং অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**মীখলঃ** নোংচুপ বেঙ্গোল বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ঙরাং ভোট থাখিবগী চাং চাদা ৯২ ওইখি। তামিল নাদুদনা চাদা ৮৫ গী চাংদা ভোট থাদনখি হায়রি।

তামিল নাদুদা ঙরাং পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ২৩৪ দা ভোট থাদনখি। নোংচুপ বেঙ্গোলদা ঙরাং বিধান সভা কেন্দ্র ১৫২ গী ভোট থাদনখি। অসাম, কেরলম অমসুং পুদুচেরি বিধান সভা য়াওনা পুন্না ভোট মশিং মথং থাগী মরিদা থিগনি।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙরাং নোংচুপ বেঙ্গোলদা মীখল নীংথিনা পাঙথোকখিবগীদমক থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

রাজ্য অদুগী হুগ্লী জিলাগী বালাগর অমসুং পুরসুরাদা অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোন্থদা শ্রী সাহনা হায়-অহানবা তাঙ্কক্তা ভোটর য়ামা থোরক্কুনা ভোট থাদরিবা অসিনা রাজ্য অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-মমতা বেনর্জিগী সরকার মায়থিরগনি। মীয়ামনা থা অসিগী ২৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদসু মপুং ফানা শৌগৎপীনবা আপিল তৌখি।

বেরহামপুরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা কংগ্রেসকী মীরেপ-অধির রঞ্জন চৌধুরিনা ভোটর য়ামা থোরক্কুনা ভোট থাদবগীদমক নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

**বিরলাঃ** লোক সভা অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানা হায়রি-শিক্ষা হায়বসি থবক ফংনবা খক নত্তনা সমাজতা দায়ত্ব খঙবা, লমচৎ ফজবা অমসুং পুন্না চাউখৎমীন্নবগী শক্তি লৈরবা পান্থে অমনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা কিরোরি মাল কলেজকী এন্যুয়েল ডেগী থৌরমদা শ্রী বিরলানা হায়-সমাজতা খ্বাইদগী শোত্থরবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা অমসুং চাউখৎপগী কান্নবা ফংহল্লবা মতমদা সরকারনা পায়খৎপা থৌরাংশিং তশেংনা মায় পাকপা ঙমলে হায়না লৌগনি। নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ না লৈবাক অসিগী শিক্ষাগী লমদা কেপিটেল থিঙ্কিং অমসুং একাডমীক ফ্লেক্সিবিলিতি হেন্না চাউখৎহন্দুনা অওনবা অমা পুরক্লে।

**জিতেন্দ্র ঃ** সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি-লৈবাক অসিদা গ্রীন ইকোনোমি পুরকবা হোৎনবদা রিন্যুয়েবল ইনর্জি, ইলেক্ট্রিক্ট মোবিলিতি অমসুং গ্রীন ফ্যুএলগী লমদা থবক তৌরিবশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা ইনভাইরোনমেন্টেল সসটেনেবিলিতি ইন টোইন্তি ফার্ষ্ট সেঞ্চুরি-সাইন্স সোসাইতি এন্দ সোলুসন্স হায়বা জাতি থাক্কী কনফরেন্স লোয়শিনবগী থৌরমদা ডা: জিতেন্দ্রনা হায়-লুপা কোতি লিশিং ১৯ রোম চংনা পায়খৎলিবা নেসনেল গ্রীন হাইড্রোজেন মীসননা উদ্যোগকী লমদা চাউনা অওনবা পুরকবা পান্দম থল্লি। মহাকা হায়-অনৌ অনৌবা টেকে ালোজিশিংগী মতেংনা ষ্টিল, সিমেন্ট ফেক্তরিনচিংবদা কার্বোন থোকহনবগী চাং হন্থহনবা ঙমলে।

মহাকা হায়-গ্রীন ইকো সিষ্টেমনা মীয়ামদা হেন্না থবক পীবতা নত্তনা তুং কোইবা অমসুং কার্বোন থোকহনবগী চাং হন্থহনগনি।

**নদ্দাঃ** কেন্দ্রগী কেমিকেলস অমসুং ফরটিলাইজর মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা সভাপতি ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা ঙরাং উদ্যোগ লুচিংবশিংগা কেমিকেস অমসুং পেট্রো-কেমিকেলসকী লমদা ষ্ট্রেটেজিক রোড মেপ অমা শেন্নবগী মতাংদা খন্নখ্রে।

মীফমদুদা ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী থৌরাং হেন্না খুমাং চাউশিন্নবা, সোর্ট টার্ম অমসুং লোঙ টার্মগী থৌরাং কয়া খন্নখি।

তুংদা, কেমিকেলস অমসুং ফরটিলাসজর মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মীফম অদুদা নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা চরাংনবা ফিভম অসিগী য়েংলগা ওটরনেটিব সপ্লাই চেন অমা শেমগৎনবা ৱাফমসু খন্নখি। শ্রী নদ্দানা সেক্তর অসি হেন্না চাউখৎহন্নবা উদ্যোগকী ষ্টেকহোল্ডরশিংদা মখোয় মখোয়গী ৱাখল্লোন ফোংদোকবা খঙহনখি। মীফম অদুদা কেমিকেলস অমসুং পেট্রো-কেমিকেলস বিভাগকী সেনিয়ার ওফিসিএলশিং, সি.ই.ও. ২৫ রোম অমসুং

তোঙান তোঙানবা লমশিংগী উদ্যোগকী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

**রাজনাথ ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-হৌখিবা চহি তরা অসিদা ভারত্তা তাঙ্কক নাইনা ষ্ট্রকচরেল রিফোমর্সশিং পাঙথোকপদগী লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা হেন্না লায়থোকহনবতা নত্তনা ভারত্তা শেল থাদবগী চাং হেনগৎলক্লি।

জর্মনগী মুনিসতা পাঙথোকপা ভারত অমসুং জর্মনগী ঙাকশেলগী উদ্যোগকী লুচিংবশিংগী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সিংহনা হায়-এদভান্স রদার অমসুং সেন্সর টেকোলোজি, নোংথক্কা মরী লৈনবা টেকোলোজিশিংদা এ.আই. শিজিন্নবা অমসুং অন্দরৱাটর ত্রান্সমিটরশিং শেমগৎপগী মতাংদা ভারত অমসুং জর্মনগী মরক্তা মতেং পীনদুনা লাক্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

খোঙজোম ডেগী পালন থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ অমদি মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক শন্না চংশিনখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-গভনরনা লুচিংদুনা অথৌবশিং ইকায় খুমখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। মীয়ামনা লো ঙাকা ফুরুপ মশেল নুংশি চান্নবা হিংমিন্নসি হায়বা গভনরগী ৱাফম সব হেদলাইন ওইনা পীরি।

হুইয়েন লানপাউদা-মীতৈগী ঈদা য়েকবদা কোক নোনবা অমসুং চংজবা য়াওদে হায়বা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-ওক্রম ইবোবীগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

য়ু.এন.সিগী টোটেল সটদাউন্দ শৌগৎপশিংনা কুকি অনি ফারগা পুলিসতা শিন্নখ্রে, তোংলকপা গাড়ি মৈ থাদোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-পুন্না হিংমিন্নসি য়াদবা কাংবুনা মনিপুর নুংশিবা ঙমলোইবা হায়বা এম.পি. বিমোলগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-ৱারেন্ট য়াওদনা মী ফাবগী অয়াবা পীথোকপা লৈবাক মীয়ামবু শিংনবনি হায়বা কোকোমিগী লুৱাং লৈমাগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিদা য়ু.এ.পি.এগী সেক্সন ফোরতি থ্রি (এ) গী নোটিফিকেসন ৱিদ্রো তৌ  রাইটস গ্রুপস হায়বা পাউ অমসু বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-খোঙজোম ডে পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-মীচমশিং হাৎখিবগী মায়োক্তা নাগা অমদি মীতৈ পুন্না কেন্দল লাইট ভিজিল পাঙথোকমীন্নখিবগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সু কাডরশিং তকথোক্কদবনি হায়বা তাংখুল নাগালোংগী ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-নেসনেল হায়ৱে ২০২ দা থোকখিবা এম্বুস্যসতা লৈখিদ্রবা মীওই অনিগীদমক ঙরাং সেনাপতি জিলাদা কেন্দল থানদুনা য়াল্লবা মীয়ামনা অৱাবা ফোংদোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-ফুদ হিলস নাগা কোওর্দিনেটিং কমিতিনা নাগা তাবা মফমশিংদা মতম কক্তনা কৌখিবা বন্দ অমুক হৌখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-ইরান অমদি য়ু.এস.এগী মরক্তা লৈরিবা সিজ ফয়ার য়ু.এস.এ. পসিদেন্ট-দোনাল্ড ত্রম্পনা মতম শাংদোকখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।